## মহৌশাগী ফীভম অমদি হঞ্জিল্লে

### ওপরেশন মায় পাক্লে, অনাবদি শিরে

‘ওপরেশন মায় পাক্লে অদুবু অনাবদি হিংদ্রে, শিরে’ হায়বা ৱাহৈ পরেংসি ‘নুমিৎনা নোংচুপ্তগী থোরকই’ অমসুং ‘পৃথিবীনা কোইরে-লৈ’ হায়বনচিংবা মীপূম তিংনা য়ানরবা অচুম্বা হায়বদি ‘য়ুনিভর্সেল ট্রুঠ’ কুম্বা ৱাফম্মক ওইদ্রবসু পীক্লবা মণিপুর মীয়ামগী চিন্দোন-লৈতোনদা পল্লকপা কুইরে। অরুবা লায়না মায়োক্নবা, শাগোন্নবা মীওই অমগী পূন্সি কন্ননবা, লায়নাদু কোক্তুনা লৈহন্দনবা লায়েংবা অমসুং থবকসিদা তঙাইফদনা মথৌ তারকপদগী সর্জরি হায়বদি ‘ওপরেশন’ চত্থবা, পাঙথোকপা অদুবু ওপরেশনদু পূক্লিং চঙনা পাঙথোক্তুনা পূন্সি কোন্নহনগদবা অরুবা লায়নাদুদি লৌথোকপা, ওপরেশনদুদি মায় পাকপা অদুবু অনাবদুদি হিংদবা, শিবগী থৌদোকশিং থোরকপদা ৱাহৈ পরেংসি পুথোক্তুনা হায়গদ্রা, শেম-শাদুনা হায়গদ্রা শীজিন্নরকই হায়বনি। ৱাহৈ পরেংসিগী মতাংদা মখা তানা শন্দোক্না হায়রুদ্রবসু য়াররনি। মরমদি ৱাফমসিনা হায়রিবা, তাক্লিবা অমসুং ফোঙদোক্লিবদি য়াম্না থৱায় য়াওনা অমসুং চেকশিন্না হোৎনবদগী থবক্তুদি মায় পাক্লবসু অনাবদি কনবা ঙমহৌদে হায়বনি। মসিমক ঙসিগী, হৌজিক্কী মণিপুরদা থোক্লে হায়বনি। ৱাফমসিদা ষ্টেটসিগী ৱাংমদা লৈবা মীতৈ/মৈতৈ নৎত্রগা মণিপুরগী চীংমীশিং নত্তবা মীওইশিংগী মরক্তগী খরনা ‘লাল্লি অমসুং চুমদে’গা হায়রকপদি য়াই। ষ্টেটসিদা লৈবা পুঙ্কক চাউরবশিংদগী হৌরগা ষঞ্জেন-ষণঙাক ঙল্লবশিংদগী হৌরগা মীওই অমত্তনদি অরানবা ৱাফম্নি হায়রক্লরোই। ষ্টেটসিগী মীয়াম মরক্তা য়াওরিবা পোকপদগী মবুকচেল শেপ্লক্লবা, তোঙান-তোঙানবা শিনফমগী মায়খুম উপ্লক্লিবা, ফিজোল শেৎলকপদগী শিবদা কপ্পীনবা মীওই থোরক্লরোইদবা খরসি ফাওবনা লাল্লি হায়রক্লরোইদবনি। চুমসু চুম্মী। হৌজিক মণিপুর লৈঙাক্কী অমসুং মীয়ামগী খ্বাইদগী চাউবা অমসুং লূম্বা পোৎলূম ওইরিবসি মে ৩,২০২৩দগী থোরক্লিবা তমথীরবা লানসিনি। লানসিনা ওইহল্লক্লিবা ফূরুপ অনী চঙন-থোক্না য়াদবা, রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌহল্লক্লিবশিংবু মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিনহনবা ঙমদবা, থাজনবা, নুংশিনদবা অমসুং অমত্তা ওইমিন্নবা ঙমদবগী ফীভমশিংসিনি।

অদুবু লানসি হৌরকপদগী মসিবু লেপহন্নবা, ৱারোইশিন পুরক্নবা, কাং-খোং চাইরিবা ফীভমশিংসি তেকশিন-হঞ্জিন্নবা মতমদুগী লৈঙাক্না য়াম্না কন্না হোৎনখি হায়। থবকসিগী পাম্বৈ থিবদা অউপ্পা উনা ফাওবা লোংথোকখি হায়। অদুবু লৈঙাক্তুনা শিরগে’মখৈ হোৎনখিবগী মহয় ওইদোইরা খঙদে, লৈঙাক্তু হৌদোং মচাবু লুশম পায়রগা শুজিনবদৌনা তৌরগা শুপত্রেক-নাত্রেক্লহনদুনা খাঙঙুথক্তা লোইশিনহনখি। মদুগী মতুংদা থা ৬/৬কী মপূন্সি লৈহনখিবা ‘প্রসিদেন্টস রুল’ হায়বা লৈঙাক মখল অমসু লৈহল্লকখি। লৈঙাক্তুনসু ফনা কন্না হোৎনখি হায়। অদুবু ফিল্মদরা নৎত্রগা এলবমদরা মশক ফজখ্রবী হিরোইন অমনা ‘খারিবা শম্বলসে ইখুৎনা শিরগে’ হায়না শৈহৌবা ঈশৈদৌনা শক্তুনা মীয়ামদা থাজবা পীখ্রবসু চীং-তমগী মরক্তা খায়রকখিবা রেদ অমসুং বফর জোনগী শম্বলশিং শিদোকপা ঙমখিদে। নেশনল হায়ৱেদা চত্থোক-চৎশিন য়াহনবা ঙল্লমদে। মমিংতগী ওইনা আই দি পি খরা মশাগী ময়ূমশিংদা হোংজিলহল্লবসু মপূং ফানা খো-খোৎপদি হঞ্জিলহনবা ঙমদে। মচি ইরেং-লেংদবগুম্না তৌখি। প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাক্কী মতুংদা লিংলক্লিবা লৈঙাকসিসু নীংথাদগী হায়বদি ৱাশক লৌবদগী ‘ওনলাইন’ (ভিদিও কনফরেন্সিং, ভর্চ্যুএল মোদ) তা হৌরকখিবনিনা লানসিনা চিনার অমুনবদৌনা চেকখাইহল্লকখিবা মণিপুরগী ফীভমশিং হৌজিক ফাওবগীদি ফোৎচিন-তাইশিন্দুনা হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিনহনবা ঙমদ্রি। অনৌবা লৈঙাকসিগী মপূন্সিদি ইলেক্সন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না থেকপা চৈশিংগী মতুংইন্নদি থাবুম ১০ রোম লৈরিবনিনা য়েংখিববুদি তারি, ঙাইখিনি। অদুবু মতমদি নোংম-নোংমগী হৌজিল্লকপনা ‘ঙাইখিগদরা লাক্লরোইদবা মাবু’ হায়বা ঈশৈদু নীংশিংদুনা ঙংনরকপা য়াওরে হায়বনি। মরম অসিনা হৌজিক ফাওবদা ওইরিবা ফীভমসিদদি ‘ওপরেশনদি মায় পাক্লগা অনাবদি হিংদবা, শিবা’গী ফীভমদুদা অদুম্মক লৈরি হায়বনি। ফীভমসিবু হোংদোকহন্দুনা অওনবা’মা পুরকপদি চিন্না য়াদে। ৱাশক ১০০ শকথবনসু ওইদে। খূৎ য়াওগদবনি হায়বসিমদি হৌজিকসু পুমচুম চুমদুনা লৈরি। অদুবু ঙক্লিংঙাই ওইদ্রবসু হঞ্জিনহন্নীংবা মণিপুরগী মহৌশাগী ফীভম ময়ামগী মনুংদগী অমদি চপ চানা, মপূং-ফানা অমসুং খমথেংনা হঞ্জিল্লক্লে। মসিমদি মণিপুরদা ঈং-তপ্পা, নুংশি-চান্নবা, থাজনবা, থোং মান্ননা চাওখৎমিন্নবা হায়বশিংসি পুরক্তুনা ওইহল্লকপদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিব্রা? প্লস পোইন্টলা? হকথেংননা নৎত্রগা নাকোইননা মরী লৈনব্রা হায়বদুদি য়েংখিবা তারি। হৌজিকমক্কী ওইনা ফীভমসি ওইরক্লগসু চপ-চানা হঞ্জিল্লকপা অমদি য়াওরে হায়বসিমদি পুমচুম চুপ্লে। লমতাগী থানিল (পুর্ণিমা) নুমিৎতগী হৌখিবা নুমিৎ ৫নিগী য়াওশঙ কুম্মৈ লোইশিনখ্রবসু থাবল চোংথরক্লি। অহিং নোংশোইবা লীলা, দ্রামা, ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরমশিং পাঙথোক্নরক্লে। হাওসি (তম্বোলা) গী মিনি অমসুং বম্পর দ্রোনি হায়বশিংসু মহৌশা-মহৌশাগীদু চপ-চানা ওইরে। হরাও-কুম্মৈ য়াওনা অতৈ অতোপ্পা থৌরমশিংসু পাঙথোক্নরক্লে। লানগী ৱারোইশিন পুরকপা, ঈং-তপহল্লকপা অমসুং চীং-তম অনীগী মরক্তা চঙথোক-চঙশিন য়াহনবগী ফীভমদি হান্নদগী হেন্নদুম শোকচিল্লক্লে হায়বদা শাওরকপা য়াওরক্কদ্রা হায়বদুদি খঙদ্রে। লানসি হৌরকপদগী মীতৈ/মৈতৈগা কুকি-জোশিংগগী মরক্তা ঙমখৈ-লমখৈ হেঞ্জিন্নবা য়ারক্তবদুগী মথক্তা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বী (নেশনল হায়ৱে-২০২) দনা তাঙ্খুলগা কুকিগসু মশক উন্নবা ফাওবা য়ারক্ত্রে। চপ-মান্ননা থেংন-থেংনবা অমসুং মখূৎ চল্লবশিং হাত্তোক্নবা য়ৌনা উংখৎনরক্লে। ফীভমশিংসিদি ওপরেশন মায় পাক্লে, অনাবদি শিরে হায়বসি ওইদ্রিবরা হায়বনি। অদুবু শারিঙৈদা য়ৈহৌদুনা মাঙজিল থানা হোৎনগদবা মরু ওইখ্রবা থবকশিংসিদি মচি লেংহনবা ঙল্লক্তবসু হরাও-কুম্মৈ, পেন্থোকপা-নুংঙাইথোকপা অমসুং লাংথোকপগীদি হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিলহল্লকপা ঙল্লিবসিদি ওন্থোক্না মমল য়ামখ্রবনি। লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্তবা চহী ৩ ফাজি লক্কদৌরবা ফাওবদা য়েলহৌমী মীতৈ/মৈতৈনা করিবু তৌবা ঙমখ্রবগে? তৌরুরবসু কান্নররোই, মখোয়গী মতম লোইশিল্লক্লবনিনা অনৌবা চোংলক্কদবা ময়োলশিং অফবা ওইহল্লগা মথৌ তাবা পূম্নমক পাঙথোকহল্লগে হায়দুনা ওনশিল্লুদ্রবরা খঙদে। হরাও-কুম্মৈরোমদদি মহৌশাগী ফীভমদা খম থেংনা হঞ্জিল্লে। খূবাক খুদুনা হরাও-নুংঙাইবা ফোঙদোক্লুরগা, য়া কাথোক্তুনা পূক্লি তিংবমখৈ নোক্লুরবসু পুম্নৌ নৌবা মীহুৎশিং খক্তমক খল্লগদবনি হায়বদুদা কাউথোক্ত্রগা লোইরে!!

## মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা’ (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৭৩৯)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

পাইচল লালকোইনা। য়ুমনিঙ ঙাকলাকপা চৌখু লালথৌবা অয়াংবদি। মতিক মথৌনা লালঙমখিয়ে। নাথেং য়ুমাঙ লাকপা। সনা লৈত্রেং লৈথেৎ লৈচিন লৈতেংবা। খুৎশু থাঙলেল অথৌবা খুৎপায়নবা। খাগী ফরাংজীনা। সনা শাপোৎ শেমনা ঙাইনবা। শগোল শাদোংনা পে চোঙলেল খলনা থৌগলবা। লাকম লালথেং লালমিংনাই মিংচৎপগা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯷꯳꯹)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯄꯥꯏꯆꯜ ꯂꯥꯜꯀꯣꯏꯅꯥ॥ ꯌꯨꯃꯅꯤꯡ ꯉꯥꯛꯂꯥꯛꯄꯥ ꯆꯧꯈꯨ ꯂꯥꯜꯊꯧꯕꯥ ꯑꯌꯥꯡꯕꯗꯤ॥ ꯃꯇꯤꯛ ꯃꯊꯧꯅꯥ ꯂꯥꯜꯉꯝꯈꯤꯌꯦ॥ ꯅꯥꯊꯦꯡ ꯌꯨꯃꯥꯡ ꯂꯥꯛꯄꯥ॥ ꯁꯅꯥ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯦꯡ ꯂꯩꯊꯦꯠ ꯂꯩꯆꯤꯟ ꯂꯩꯇꯦꯡꯕꯥ॥ ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯊꯥꯡꯂꯦꯜ ꯑꯊꯧꯕꯥ ꯈꯨꯠꯄꯥꯏꯅꯕꯥ॥ ꯈꯥꯒꯤ ꯐꯔꯥꯡꯖꯤꯅꯥ॥ ꯁꯅꯥ ꯁꯥꯄꯣꯠ ꯁꯦꯝꯅꯥ ꯉꯥꯏꯅꯕꯥ॥ ꯁꯒꯣꯜ ꯁꯥꯗꯣꯡꯅꯥ ꯄꯦ ꯆꯣꯡꯂꯦꯜ ꯈꯂꯅꯥ ꯊꯧꯒꯂꯕꯥ॥ ꯂꯥꯛꯀꯝ ꯂꯥꯜꯊꯦꯡ ꯂꯥꯜꯃꯤꯡꯅꯥꯏ ꯃꯤꯡꯆꯠꯄꯒꯥ॥ ●

## নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২৫৯ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)



চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

ঐখোয়না অরিবা লীলা অমা রি-মেক তৌদুনা পুথোকখি। লীলাদু অসুক্কী মতিক মীয়াম্না পাম্নখিবা মতম অমগী লীলানি। লীলা অদুনা অর্টিষ্ট খরদি মমিং ফাওবা লীলাদুদা মা-মানা কুম্বা করেক্টরগী মমিং ওইনা মীয়াম্না খঙনখিবনি। অসুক্কী মতিক ফাওখিবনি। মৈতৈ লৈমা যাত্রা কম দ্রামা এসোসিএশননা শান্নখিবা হৌজিকসু ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফালদা রেকোর্দিং ওইনা পুল্থায় অমগী লীলা ওইনা মরক-মরক্তা মীয়াম্না তাবা ফংলিবা ‘অবিরখান’ হায়বা লীলা অদুনি। লীলা অদু ঙাইরাংবম ইবোহলনা ইবনি। অদুগা মীয়াম্না চৈতৈ শাবা হায়না হেন্না খঙনখিবা ঐজ্ঞা জুগেশোর শর্মাগী লিচিং মখাদা পুথোকখিবনি। লীলা অদু ঐখোয়না করম্না শান্নখিবনো হায়বগী মতাংদা ৱাফম খরদং নীংশিংবা চুম্মী হায়না খল্লগা ৱাফম অসি ঙসিদি মীয়ামদা নৌনা ফোঙদোকচরি। ঐখোয় ৱাফমসি কনা অমত্তদা হায়দোক্তুনা লাকখিবনি। ঙসিদি মীয়ামদা ইথোক্তুনা তুংগী ওইনা লৈহৌনবগীদমক ফোঙদোকচরবনি। লৈখিদ্রবা অরাম্বম সমরেন্দ্রনা ঐঙোন্দা ইতৎ তত্তনা হায়খিবা অমা লৈ। মমাঙঙৈ অহল লমনশিংনা থম্বীরম্বা ক্লাসিক ওইবা শুমাং লীলা খরা ঙসিগী মীরোল অসিদা উৎপা লোয়ননা ঐখোয়গী আইদিয়া ওফ মণিপুর হায়বা অসি শাগৎপদা নৌনা হৌরক্লিবা নহাশিংদা ৱাখল খন্থহন্নবগীদমক লীলা অমা অনীদি নৌনা শান্নৌ হায়না তাকপীখি। অরাম্বম সমরেন্দ্রনা হায়বীখিবা লীলা অনীদু - **‘অবিরখান’** হায়বা অদুগা **‘ইপাগী ইবুংঙো’** হায়বা অদুগনি।

লীলাদু শান্নসি হায়না ঐনা ঐগী পার্টিগী মনুংদা ৱাসি হৌদোকপদা খরা অমনা য়ানীংই, খরা অমনা য়ানীংদে। মীনা য়েংদুনা লোইরবা অরিবা লীলাদু শান্নরগা কনানা কৌবীদৌরিনো, অদুগীসু মথক্তা মমাঙঙৈ শান্নখিবা লীলা অদুগী থাক য়ৌনা ঐখোয়না শান্নবসু ঙল্লোইদবদা হায়দুনা কন্না মরৈ য়েৎখিবা কয়া অমসু লৈখিদবা নত্তে। অসুম্না চয়েৎনবা লাক্লবদা, নোংমা ঐনা ওজা অরাম্বম সমরেন্দ্রবু অমুক্তং লাকপীদুনা ময়ামদা ৱাখল তাহনবীনবা ৱারী শাসি হায়না কৌজে। ওজাসু লেঙবীরকখি। ওজানা ফনা নীংথিনা হায়রে। অদুই মতুংদদি ময়ামসু য়ানবা অমা পুরক্লে। অদুবু মথম্মোয়না অদুক য়ৌনা খোইদাবা হায়বদুমক্তি কৈসু ওইখিদে খল্লি। নমশান শান্নবা হায়দুনি। তশেংবগীদি লীলাদু শান্নবা কিবগী ওইগদৌরিবনি। লীলাদুদা ফাওখিবশিং অসি - অমিনা শাবী, মামা শাবী, হেলেনা শাবী, অবিরখান শাবা, বিরসিং শাবা, অবুঙ শাবা হায়না মীয়াম্না মতমদুগী আর্টিষ্ট খুদিংমক অদু মিংথোল ফাওবা পীদুনা য়াম্না মশক থোক্না লৈখ্রবা লীলানি। অদুবু য়ানখিবা লৈরবনিনা ঐ স্ক্রিপ্ট থিবা হৌরে। স্ক্রিপ্টতু ঐনা নোংমা ঐজ্ঞা জুগেশোরনা লৈখিদবা মতমদা মাগী য়ূমদা লৈরম্বা স্ক্রিপ্টশিং অদুগী মনুংদা হায়রিবা অবিরখান হায়বসিসু য়াওবা উখিবনি। ঐনবু ইমুং মনুংদা মরু ওইনা ঐজ্ঞাগী মচানুপাদা কন্না হায়জখি, লৈরিবা স্ক্রিপ্টশিং অসি অমত্তা মাঙহল্লোইসি। মফম চানা থমসি হায়না। ঐ ঐজ্ঞাহোয়গী য়ূম তাকয়েল কোলোম লৈকায়দা চৎলি। স্ক্রিপ্ট অদু থিবদা থিবা খঙদ্রে। লৈহৌবা স্ক্রিপ্টশিংদু মফম চানা থমদবনা উচিনা খরা চিকথৎ, লৈশৌনা খরা চাবা তৌদুনা ইরিবা চেনাশিং অদু মতৎ-মতৎ তৎলগা ফীভম চাদনা লৈরম্মী। অদুবু অবিরখানদি য়াওরমদ্রে। নীংবা কায়না হল্লক্লগা ঐখোয় অনী/অহুম খোঙহাম্পাৎ মনুংদা চঙশিল্লগা লৈবা লীলাদু ইবিখিবা মমিং লৈরবা রাইটর ওজা ঙাইরাংবম ইবোহল, লীলাদু ইবিখিবা ওজাগী য়ূমদা ঐখোয় চৎলি। স্ক্রিপ্টতুগী চেনা অমফাওবা ওজাগী য়ূমদা লৈরমদে। ইরগা মাদি লীলাগী পার্টিদা পীখিবদগী লৌশিন্দে, মঙোন্দা স্ক্রিপ্টতু লৈতে হায়না ইরায় লায়না হায়বীরকই। ওজানা ইবিখিবনিনা মদু শাগৎলগা ইনৌ নৌনা ইথোকপীয়ু। অদুগা ওরিজিনেল ওইবা লীলাগী শরুক খরদি এ আই আর ইম্ফালদা লৈবা রেকোর্দিং অদুদগী তারগা ইথোকপসু য়াগনি হায়দুনা হায়নরে। ওজানসু য়াবীরে। অদুই মতুংদগী এ আই আর ইম্ফালদগী রেকোর্দিং অদু তাথোক্লগা ঙাঙনখিবা দাইলোগশিং অদু শিন্দোক্লে। ওজাগী খূৎতা অমুক শিন্নরে। ওজানা সি য়ৌরদি অদুম থোক্লনি, ইথোক্লসি হায়না হায়বীরে। ওজাসি থবকসু য়াম্না চিনবনি। অদুনা য়ূমদগী ওজাসি ঐখোয়না নোংমা নীনিগী মতুংদা পুরক্লগা, লীলাগী ওফিসতা ওইনা ইবীরো হায়না থম্মী। ইব্রা শুংই ইদে। মী লাঙবগী নুংঙাইররোই হায়দুনা ওজ াসি জি এম হোটেলদা রুম ৱায়দুনা ফাওবা থম্মী। নোংমা নীনি চঙনা ওজানা স্ক্রিপ্টসি ইনবা কন্না হোৎনৈ। মচিৎ-মচিৎ ইবদগী হান্নগী অদুগা খরা খেন্ননা ইবীরে। ঐখোয় লীলাদু কাষ্ট পীদুনা আর্টিষ্টশিংদা দাইলোগ ফানবা হোৎনবীরো হায়না হায়জরে।

লীলাদুগী মনুংদা চীংগী খুলগী ইষ্টাব্লিশমেন্ট তৌনবা, অনৌবা অমা ওইনা জগোয়নচিংবা হাপচিল্লি। ঈশৈসু মথেল ওইনা অমা অনী হাপ্পী। লীলাগী ম্যুজিক অনৌবা মওং অমদা পুথোক্লবা হায়দুনা, ম্যুজিকোলোজিষ্ট এন টিকেন তান্নে। মহাক মশানা লীলা তম্বদা ম্যুজিক শেমদুনা অনৌবা ম্যুজিকক্কী মহাও অমা পীনবা কন্না হোৎনৈ। লীলাগী কোষ্টুম দিজাইনসু অখঙ অহৈ তান্নে। মতাংসিদা ঐনা পন্দবা য়াদবা অমসু লৈরি। ঐগী ওজা ইবুংঙো এল ইবোতোম্বী শর্মনা বিরসিং শাবদা ওন্থোক্না পকচখিবনি, ফজখিবনি। লীলাদুগী মতমদু মণিপুরদা কাওবোই সিনেমা চঙশিল্লকপগী য়াম্না পাম্নবা মতমনি। লীলা অদুমক্তদা ঐগী ওজা ইবুংঙোনা এম আরগী সিপোইদা ইস্যু তৌবা ব্লাঙ্কেট মন্তক তৌবা অমা সিপোই অমদগী লৌরগা মদুনা জেকেটকী মওংদা তুরগা তুপী অপাকপা অমা উপ্পগা নোংমৈগদু কাওবোইগী টাইপতা পায়রগা লীলাদু উৎখিবনি। ৱারী অসি ঐগী ওজানা লীবিখিবনি। মদুগা মান্ননা তৌবদি নুংঙাইতবনিনা, মেক-অপ অমদি কোষ্টুমদসু খিত্তং অনৌবা অমা তৌরগে হায়না খন্দুনা ঐগী মেক-অপকী দিজাইন অদু ঐগী মরুপ উরিপোক অচোম লৈকায়দগী ডা. মাখোনমনি মোংশাবগা তান্নে। মাদি লাইসু ফজনা য়েকপা আর্টিষ্ট অমনি। অদুনা বিরসিংগী শকফম অসি করম হায়না ওইহনসিগে হায়না খন্নে। কুইনা ৱারী শানৈ। মহাক্না নুমিৎ খরগী মতুংদা চেদা য়েকথোক্লগা দিজাইন অমা শেম্মী। কোই হাপ্পগী মওং, কোইগী মতা-মওং, তুপী, শম খিত্তং শাংলপ তৌহনবা হায়না মানা ফজনা য়েকথোক্লে, মদু ঐগী ফোটোদা মানা মওং-মওং শেম্বনি। ঐনা পাম্বা অমা খল্লে। কোইদাদুসু ঐনা য়াম্না পামজবা কোইদানি ঐগী মরুপ মাখোনমনিনা দিজাইন তৌরকপদু। ওজা অরাম্বম সমরেন্দ্রগী কোই খুখাক অদুদগী শেম্বনি হায়না মানা হায়বী। ঐনসু পাজবা কৌবনিনা মদুমা তৌরগে হায়না লেপ্লে। পিশুমদুসু খরা চাউরপ তৌনা শেম্বনি। শম অমদি শাদবা য়াদ্রে। খিত্তং শাংলপ তৌবা লুখম খুম্বা, লেংজুম মকসু য়ৌদবা অমা শারে। তুপী খরা পাক্লপ তৌবা অমা লৈরে। অদুগা ঐনা বিরসিং শাবদা লিৎখিবা ফুরিৎ অদুসু লেদরনা তুবা খ্বাংদগী খরা হেন্না চোন্থবা জেকেটকী মওংনি। নঙ্গলগী লেংজুমগী শরুক্তা দিজাইন ওইনা লেদরদু কুপ্পা-কুপ্পা চপ্পগা জ্বাই-জ্বাই তানা হাপ্পী। হেক য়েংবদা ঐগী হান্নগী শকফম অদু ওইদ্রে। ঐনা লীলাদু শান্নবগী থোরকপদা অয়েংবশিংনা ঐনি হায়বা হান্না খঙবা ঙমদে, ঐনা দাইলোগ ঙাঙলগা ঐগী খোঞ্জেলদু তারগা ঐনি হায়বা খঙখিবনি। পুমওন ওনবা ফিজেৎ অমদি মেক-অপনি ঐনা তৌখিবদু। মদু ঐগী মরুপ মাখোনমনি মোংশাবনা দিজাইন তৌখিবনি। লীলাদু ঐখোয় নীংথিনা তমখি। য়াম্না কুইনা মতম চঙনা তম্বমক্তি ওইখিদে। ঐখোয়গী লীলাগী ওফিস কা অপীকপদুদা য়াম্না চিন্না তল্লম্বদগী খিত্তং চাউথোক্না তমসি হায়দুনা লৈখিদ্রবা নোংমৈবুংদগী এস দেবদত্ত শর্মাগী মান্দবতুদা ঐখোয় লীলাদু নুমিৎ হুম্নি মরিনি তমখি। লৈকায়গী মী ময়াম্না ‘অবিরখান’ তম্মী হায়বদুদা ময়াম ওমদুনা য়েংই। ঐখোয়সু থৱায় য়াওনা অদুম তৌই। লীলাদু ফোঙলে। মীয়াম্না অদুম পাম্না য়েংনখিবা লীলা অমা হায়বদু ওইখি। ঐখোয় মায় অদুম পাকখি। অনৌবা মথেল অমা ওইনা মীয়াম্না হরাওনা য়েংবীখিবা লীলাশিংগী মনুংদা অমা ওইবা ঙমখি। মথংদা ঐনা বিরসিং শাবগী ঐগী ওজা অহল এল ইবোতোম্বী শর্মাদা চৎলগা তমখিবগী ৱারী খরা অমুক লাকচখিগে। ●

## দি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নেভেল একাদেমিদা ফুল স্কোলরশিপ ফংলক্লে

পূন্সিগী ঈচেলদা - ১৬৩

**ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার**

মালেমদা চহী চাম্মগা মরিফুতরা (১৮০) হেন্না নেভি কেদেটশিংবু ত্রেনিং পীদুনা নেভেল ওফিসর ৯২,০০০ হেন্না পুথোক্তুনা মালেমদা খ্বাইদগী মমিং চৎতুনা লাক্লিবা দি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নেভেল একাদেমিদা চহী মরি (৪ য়রস)গী ফুল স্কোলরশিপ ফংবা ঙল্লে ইচাতোনবা বুঙ বুঙ। দি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নেভেল একাদেমি অসি একর ৩৩৮ পাক চাউনা ফেকল্টি মেম্বর ৬০০ হেন্না লৈবা, ফেসিলিটি অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর শুনা লৈবা, তুংদা মতিক চাবা নেভেল ওফিসর অমমম ওইরক্নবা মখল মখলগী ত্রেনিং পীদুনা লাক্লিবা একাদেমি অমনি।




দি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নেভেল একাদেমি অসিদা ইন্টরনেশনল কেদেট অমা ওইনা মহৈ তমগে হায়রবদি অহানবদা লৈবাক অমগী খ্বাইদগী ফবা কেদেট অমা সিলেক্ট তৌরগা মাগী মিং থাগৎকদবনি। চহী অমদা য়ু এস এগা অফবা মরী লৈনবা শুপ্নগী লৈবাক ১৫ মুক্তগী কেদেট ১৫ মুক একাদেমি অসিদা ইন্টরনেশনল কেদেট ওইনা এক্সেপ্ট তৌই। হায়রিবা ইন্টরনেশনল কেদেটশিং অদু দি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নেভেল একাদেমিগী ইন্টরনেশনল এদমিশন বোর্দনা অমুক টেষ্ট ময়াম তৌদুনা তশেংনা ক্বালিফাই ওইবরা-ওইদব্রা হায়বদু য়েংই। করিগুম্বা টেষ্টিং অসিদা ফেল ওইরবদি কেদেট অদু একাদেমি অসিদা তম্বা ফংলোই। ঐহাক্না থেংনজবদা ইন্দিয়াগীদি কেদেট অমা ফাওবা চহী ৪গী ত্রেনিং ফংখিবা য়াওদ্রি, চয়োল অমা-অনী, থা অমা-অনীগী ইন্টরনেশনল একচেঞ্জ প্রোগ্রামগুম্বা য়াওবা নত্তনা।

দি রিপব্লিক ওফ চাইনা, টাইৱানগী নেভেল একাদেমিদা মহৈরোয় ১,৬০০কী মথক্তা চহী মরিগী নেভিগী ত্রেনিং পীরি তুংদা কম্মিশন ওফিসর অমমম ওইরক্নবা। মসিদগী পূন্না কেদেট ৯ খনগৎলি ২০২৬-২০৩০ বেটচকী ওইনা য়ু এস এগী তোঙান তোঙানবা নেভিগী ইন্সটিট্যুট মঙাদা ত্রেনিং লৌরুনবা। মখোয় কেদেট ৯সি কেদেট ১,৬০০কী মনুংদা খ্বাইদগী ফিজিকেল্লি ফিট ওইবা অমদি মেরিট লৈবা কেদেট ঙাক্তনি। মখোয় ৯সি দি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুটশিংদা নেভিগী ত্রেনিং তৌরুগদবনি চহী মরি চুপ্পা। অদুগা কেদেট ৯সিগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক তাবদুনা খ্বাইদগী মমিং লৈরিবা দি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নেভেল একাদেমিদা তমগদবনি। হায়রিবা কেদেট অদো ইচাতোনবা বুঙ বুঙনা ওইরে।

লেমহৌরিবা কেদেট মখোয় ৮ অদুনা ষ্টেটকী মখাদা লৈবা নেভেল একাদেমি ৪দা মখোয় কেদেট অনী-অনী থাবনি। মমাঙ চহীদি টাইৱানদগী কেদেট ৩ থাখি। অদুম ওইনমক দি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নেভেল একাদেমিদদি থাখিদে। ফেদরেল/নেশনল ওইনা লৈবনা, দি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নেভেল একাদেমিগী সিলেক্সনসি য়াম্না লুই লোয়ননা ট্যুশন ফীসু য়াম্না ৱাংই। মরম অসিনা একাদেমি অসিদা চহী খুদিংগী থাবা ঙম্নদে। ইচাতোনবা বুঙ বুঙগী মমাঙদা টাইৱানদগী কেদেট অমা নেভেল একাদেমিসিদা থাখিবসি কুমজা ২০২১দনি। একাদেমি অসিদা তম্বগী ফীসি চহী অমদা USD 115,000 (One hundred fifteen thousand) নি। ইন্দিয়াগী শেলদা ওন্থোক্লদি ক্রোর অমগা লাখ ৭কী মথক্তা লৈবনি। চহী মরি তম্বগী শেনফমদি ক্রোর ৪গা লাখ ৩০গী মথক্তা লাক্কনি, ঐহাক্না পুথোকপা ঙম্বা শেনফম নত্তেদা। অদুগা শেল পায়রে কায়না হেক্তা তমহনবা য়াবসু নত্তে, লৈবাক্তুগী সিলেক্সনদা খন্দ্রবদি।

দি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা নেভেল একাদেমিশিংদা চহী মরি তম্নবগী সিলেক্সন প্রোসেস অহুম লৈ : ১) ইংলিস অমদি মেথ টেষ্ট - TOEFL (Test of English as a Foreign Language) অমদি SAT তা (Scholastic Aptitude Test), ২) Physical fitness test, ৩) চাইনিজ অমদি ইংলিসলোলদা ইন্টরভিয়ু তৌবা অসিনি। হায়রিবা প্রোসেস অহুমসিদা খ্বাইদগী ৱাংনা পোইন্ট ফংবা ওইরবসু দি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নেভেল একাদেমিগী থাক য়ৌদ্রবদি তম্বা য়াদে। টাইৱানগী ওইনা অহানবদা দি রিপব্লিক ওফ চাইনা নেভেল একাদেমিনা সিলেক্সন পাঙথোকই প্রোসেস অহুমসি শীজিন্নদুনা। মসিগী মতুংদা দি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নেভেল একাদেমিগী ইন্টরনেশনল এদমিশন্স বোর্দনা অমুক পাঙথোকই।

হৌরকপদদি, ইচাতোনবা বুঙ বুঙসি টাইৱানগী অমত্তা ঙাইরবা মিলিটরি স্কুলসিদা চঙবা ফাওবা ঙমগদ্রা হায়না ৱাখিবনি। বুঙ বুঙগী মিং য়াওরকপদা য়াম্না নুংঙাইখি ঐখোয়গী ইমুং। মতমদুদা বুঙ বুঙসি আর্মিগী ওইনা চঙখিবনি অতৈদি য়াম্না লুরমগনি খন্দুনা। কোন্না সিনিয়র হায় স্কুল লোইবদা টোপ ২০গী মনুংদা লৈরবদি এনি চঙনীংবা আর্মদ ফোর্সেসকী লাইনদা য়াই হায়না খঙলকপগা মাগী ইংলিস, মেথ অমসুং সাইন্সতসু অদুম ফবগা, মচে বেম বেমসু নেভিদা তম্বদুগা বুঙ বুঙসু নেভিদা তমগে হায়না লেপখিবনি।

অসুম্না পূক্লিং থৌগৎপীদুনা সিনিয়র হায় স্কুলদা টোপ ২০গী মনুংদা লৈনবা বুঙ বুঙ কন্না হোৎনদুনা তপ্পা তপ্পা টোপ ৫ য়ৌরকপনি। অরোইবা সেমিষ্টরদদি মহৈরোয় ৬০০ মুক মিং চনবদা মখোয় ৪০০ মুক পাস তৌবদুদা বুঙ বুঙনা মকোক তাবা ঙমখি। মতৌ অসুম্না টোপ ৫দা লৈদুনা মাগী অরোইবা সেমিষ্টর - ২০২৫গী এপ্রিল থাদা য়ু এস এদা চয়োল অনীগী এদ্যুকেশনল ত্রিপ অমা মখোয় ৫ খক খল্লগা থাবদুদা বুঙ বুঙসু য়াওরুবনি। লোয়ননা কোলেজদা মহৈ মখা তমথবগী টাইৱানগী নেশনল টেষ্টতসু অতৈ দি রিপব্লিক ওফ চাইনা নেভেল একাদেমিদা চঙমিন্নবা মহৈরোয় কেদেট ১৫০০দগী মহাক্কী মার্কনা ইৱাং ৱাংই হায়দুনা লুপা লাখ অহুম মখায়গী এৱার্দ অমসু পীবিখি মঙোন্দা টাইৱানগী নেভেল একাদেমি অসিনা।

মতৌ অসুম্না, টাইৱানগী নেভেল একাদেমিদা হেক চঙবদগী ঙসি ফাওবা হোৎনবা লেপ্পকত্রি বুঙ বুঙসে দি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নেভেল একাদেমিদা তল্লুনবা হায়দুনা। মরম অসিননি ইচাতোনবা বুঙ বুঙনা য়ূমদা নোংমা/নীনিখক্কী ছুটি হল্লকপদা ফাওবা মমান্নবশিংগা কোইথোকপগী মহুত্তা ঐগা লোয়নদুনা শাজেল তৌরিবা, প্রেক্টিস তৌরিবা, মহৈ-মশিং তম্বগী, ইন্টরভিয়ু য়াওবনচিংবগী ময়াম অমা শেম শাদুনা লাকখি।

অসুম্না কন্না হোৎনদুনা লাকপনা ঙসিদি ইচাতোনবা বুঙ বুঙসু মালেমদা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা নেভেল একাদেমি অমদা মহৈ তল্লুবা ফংলগনি। অসুম্না হোৎনমিন্নদুনা লাকখিবদুনা ইচা য়াইমা ননাওসু ঙসিদি আর্মি কম্মিশন ওফিসর অমা ওইনা থবক তৌরি অদুগা ইচাতোনবী বেম বেমনা সেন্ত্রেল অমেরিকাগী নেভেল একাদেমি অমদা অনীশুবা চহীগী ত্রেনিং চথরি ফুল স্কোলরশিপ ফংদুনা।

মরম অসিনা ইচাশিং, অঙাংশিং শেমগৎপা হায়বসি মমা-মপা ওইবা ঐখোয়না নুংশিনা লোয়নবীদুনা তাকপী তম্বীবা, পূক্লিং থৌগৎপীবা, শৌগৎপীবা, হীরম খুদিংমক চাং নাইনা, মতম চঙনা হোৎনহনবা মথৌ তাই পূন্সিদা অফবা অমদি মায় পাকপা মী ওইহনসি হায়রবদি।

অদুম ওইনমক করিগুম্বা ইচাতোনবা বুঙ বুঙনা মণিপুরদা, ইন্দিয়াদা লৈরল্লবদি মানা ফনা ফরবসু, মপোক চাম্মরক পোক্লসু মাবুদি খল্লক্লরোই। করিগীনো হায়বদুদি পাবীরিবশিংনা অদুম খঙবীরল্লনি। মতিক চারবা নহা কয়া মখোয়না ফংফম থোকপা পীবিদবদগী মণিপুরগী, ইন্দিয়াগী মপান্দা থবক তৌদুনা লৈথ্রিবসিনি। মসিনসু অচৌবা মরম অমা ওইরগা মণিপুর খুন্নাইনা মাঙদা চঙশিন্দুনা চাওখৎপা ঙমদ্রিবসি। মসিগী খল্লুরগদি ইচাতোনবা বুঙ বুঙসে ইন্দিয়াদা, মণিপুরদা লৈরমদবসি অসুক্কী মতিক লাইবক ফৈ।

টাইৱানদদি অসিগুম্বা চৎনবীসি লৈতে। ফবু ফরবদি মমা-মপা, ইমুং-মনুংগী ষ্টেটস য়েংদে, মানা-মানা ফংফম থোকপা অদুম ফংজে। ঐগী ইচাশিংসু মদু মঙাই। অদুম ওইনমক মখোয়গী খোঙচৎ হৌবদা ঙাইরি। ৱাৎলি মায়োক্লগদবা নোংলৈ নুংশিৎ, ইরৈ, অৱা-অনা কয়া পূন্সিগী হিনাওনা পন্থুং য়ৌনবা হোৎনবদা। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।